

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, NOVEMBER 01, 2018 PAGE 7



*চাইনাগী জু রেতিবু ফ্রেম ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা এসিয়ান স্নুকর টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পনকজ অদবানি*

*মহারষ্ট্রদা পাঙথোক্কদৌরিবা টাটা ওপন টেন্নিসতা শরুক য়াগনি ফোঙদোকখ্রবা ৱার্ল্ড নম্বর ৬ সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসন*

## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯*

## বেঙ্গালুরু এফসিনা এটলেটিকো দি কোলকতাবু ২–১ দা থোইখ্রে



*বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা এটলেটিকো দি কোলকতাগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*কোলকতা, ওক্টোবর ৩১ঃ*

ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফসিনা য়ুম্বু টিম এটলেটিকো দি কোলকতাবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখ্রে।

কোলকতাদা লৈবা ভিভেকানন্দ য়ুবা ভারতি ক্রিয়াংগনদা এটলেটিকো দি কোলকতা অমসুং বেঙ্গালুরু এফসিনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইখিবা এটলেটিকো দি কোলকতানা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা এভরটন সন্টোসনা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমা ফিভম চানা লৈখিবা টিমমেট কোমার থাটালনা বোল অদু নীংথিনা ফারগা কাউশিনখিবদা পাঞ্জল ওইদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা অদু অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা মিকু ফেদোরনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। হাল্ফ মতুং শান্নরকপা অনীশুবা মিনটতা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ইরিক পারটালুনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা এটলেটিকো দি কোলকতাবু ২–১ দা হেনবা ঙমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনদবদগী মেটচ অদু বেঙ্গালুরু এফসিনা এটলেটিকো দি কোলকতাবু ২–১ দা থোইখি।

চথ্নরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা মেটচ অমদা জমসেদপুর অমসুং এফসি গোৱা লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্দিয়াগী পনকজ অদবানিনা এসিয়ান স্নুকর টাইটল লৌখ্রে

*জিনান, ওক্টোবর ৩১ঃ*

স্নুকর মশান্নদা ৯লক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী পনকজ অদবানিনা এসিয়ান স্নুকরগী টাইটল লৌখ্রে।

চাইনাগী সিটি জিনানদা চথখিবা এসিয়ান স্নুকর টুর অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী পনকজ অদবানিনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক চাইনাগী শান্নরোই জু রেতিবু ফ্রেম ৬–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা ইন্দিয়া মচা অমনা এসিয়ান স্নুকরগী অহানবা টাইটল লৌবা ঙম্বা শান্নরোই ওইখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা অমসুং অনীশুবা ফ্রেম অদু ইন্দিয়াগী পনকজ অদবানিনা চাইনাগী জু রেতিবু ৪৮–৩৫, ৬৭(৪০)–২৩ দা থোইদুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা ফ্রেম অদু চাইনাগী রেতিনা ৬৯(৬০)–২৪ দা থোইখি। মখা তানা শান্নরকপা ফ্রেম ৪ দা ইন্দিয়াগী পনকজনা ৬৩–৩৩), ১০০(৪৯,৫১)–০, ৪৭–১৯ অমসুং ৯৪(৯৪)–০ দা থোইদুনা এসিয়ান স্নুকরগী টাইটল অহানবা ওইনা লৌখি।

## নেসনেল কেম্প অসিনা হোক্কি ৱার্ল্ড কপ্তা য়াওননবা শান্নরোই ৩৪ গী অরোইবা চাংয়েং ওইগদৌরিঃ হরেন্দ্র



*ইন্দিয়াগী হোক্কি টিমগী চীফ কোচ হরেন্দ্র সিংহ*

*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ঃ*

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা নেসনেল কেম্প অসিনা হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াননবগীদমক ইন্দিয়াগী শান্নরোই ৩৪ গী অরোইবা চাংয়েং ওইগদৌরি হায়না চীফ কোচ হরেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসি উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা চহী অসিগী নবেম্বর ২৮ দগী দিসেম্বর ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী হোক্কি শান্নরোইশিংনা নুমিৎ ২৩ নি চুপ্পা চথগদৌরিবা নেসনেল কেম্প অসি হোক্কি ৱার্ল্ড কপ শান্নফম ওইগদৌরিবা ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শগোলশেন নুমিৎতগী হৌগদৌরিবনি।

শান্নরোই ৩৪ না শরুক য়াদুনা চথগদৌরিবা কেম্প অসিদগী পার্ফোমেন্স ফজবা শান্নরোই ১৮না হোক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা শান্নবা ফংলগনি হায়না চীফ কোচ হরেন্দ্র সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি টিম অসি হন্দক্তা ওমানগী কোনুং মুস্কাটতা পাঙথোকখিবা এসিয়ান মেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী ফাইনেলদা পাকিস্টানগা শান্নগদবা অদু নোং কন্না চুখিবদগী শান্নদনা জোইন্ট ৱিন্নর ওইখিবনি। এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুসু চীফ কোচ ওইরিবা হরেন্দ্র সিংহগী মখাদা অকনবা ট্রেনিং ফংখিবশিংনি।

নেসনেল কেম্প অসিগীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদিঃ– গোলকিপরদা পিআর শ্রিজেস, সুরজ কারকেরা অমসুং কৃষ্ণন পাথকনি। দিফেন্দরদা হর্মনপ্রিত সিংহ, গুরিন্দর সিংহ, ভরুন কুমার, কোথাজিৎ সিংহ খদাংবম, সুরেন্দর কুমার, অমিট রোহিদাস, জর্মনপ্রিত সিংহ, পরদিপ সিংহ, সুমর বেক্ক অমসুং মন্দিপ মোরনি।

মিডফিল্ডরদা মনপ্রিত সিংহ, চিংলেনসনা সিংহ কাঙুজম, সুমিট, সিমরনজিট সিংহ, নিলকান্ত শর্ম্মা, হর্দিক সিংহ, ললিত উপাধে, ভিভেক সাগর প্রসাদ, য়াসদিপ সিৱাচ অমসুং ভিসাল এন্টিলনি।

ফোরৱার্দতা অকাসদিপ সিংহ, গুরজান্ট সিংহ, মন্দিপ সিংহ, দিলপ্রিত সিংহ, সুমিত কুমার, গুরসাহিবজিৎ সিংহ অমসুং সিলানন্দ লাক্রানি।

## রোহিট টোকাস মায় পাকখিবদগী নেসনেল বোক্সিং চেপিয়ন্সিপ্তা রেলৱেজগী বোক্সর ৪ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, মণিপুরগী বোক্সর ৩ প্রি–ক্বার্টরদা লৈহৌরে

*পুনে, ওক্টোবর ৩১ঃ*



পুনেদা লৈবা আর্মি স্পোর্টস ইন্সটিট্যুটতা চথরিবা নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা রোহিট টোকাস মায় পাকখিবদগী রেলৱেজগী বোক্সর ৪ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী নুপা বোক্সর ৩ প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।

ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬৪গী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা রেলৱেজগী বোক্সর রোহিট টোকাসনা সার্ভিসেসকী দালভির টোমারবু নোক আওট তৌদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কেজি ৬৪গী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা অন্ধ্র প্রদেসকী বোক্সর এম শ্রিনিভাসানা হিমাচল প্রদেসকী বোক্সর চান্দর মোহনবু পোইন্ট ৫–০ দা থোইরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। কাঙলুপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা মহারাষ্ট্রগী বোক্সর রোহন পাটেকরনা সিক্কিমগী বোক্সর পাপ্পু টামাংবু পোইন্ট ৪–১ দা থোইরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

কেজি ৬৪গী অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা কেরলাগী থোমাসনা তামিল নাদুগী সাবারিবু পোইন্ট ৪–১ দা থোইরল্লগা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

কেজি ৬৯গী পাঙথোকখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা রেলৱেজগী দিনেস দাগারনা বিহারগী নিসান্ট সিংহবু মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। কাঙলুপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা কর্নাতকাগী বোক্সর চান্দর বহাদুর টোমাংনা মণিপুরগী বোক্সর এম এলাংবমবু মায়থিবা পীরমখি।

কেজি ৬৯ গী কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুদি দিএস নেগি (এসএসসিবি), মনিস সোলানকি (দিল্লি) অমসুং মোহমদ রাহিল (মহারাষ্ট্র) নি।

নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা কেজি ৭৫গী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা মণিপুরগী বোক্সর বোনেল সিংহবু সার্ভিসেসকী বোক্সর মঞ্জিত সিংহনা য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। কেটেগোরি অসিগী অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা রেলৱেজগী প্রায়াগ চৌহাননা ত্রিপুরাগী বোক্সর কারনবু পোইন্ট ৪–১ দা থোইরমখি।

নুপাগী কেজি ৮১গী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা দিল্লিগী বোক্সর রাহুল রাথিনা মণিপুরগী বোক্সর রাজিন্দর সিংহবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। কাঙলুপ অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি ব্রিজেস যাদব (রাজস্থান) অমসুং টেলঙ্গানাগী সাইকালিয়ান গাওদনি।

কেজি ৫৬গী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা রেলৱেজগী বোক্সর গৌরভ বিধুরিনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা পুদুচেরিগী বোক্সর ভিভারানিবু মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। কাঙলুপ অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা বোক্সরশিং অদুদি সার্ভিসেসকী মদন লাল অমসুং তামিল নাদুগী মাধননি।

## ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিন নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, মারিন সিলিক অমসুং আলেকজেন্দর জ্বেরেভ মায় পাকখ্রে

*পেরিস, ওক্টোবর ৩১ঃ*



ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চথরিবা রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিন নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক অমসুং জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী রোজর ভেসেলিননা নেদরলেন্দসকী পেয়র রোবিন হেস অমসুং এম মিদ্দেলকুপপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৭–৬(৭–৩), ৫–৭, ১০–৫ দা থোইরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র ওষ্ট্রিয়াগী ওলিবর মারাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসকা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকনা জর্মনিগী শান্নরোই ফিলিপ কোলষ্ক্রেবরবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৫–৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ৯শুবা সিদেদ শান্নরোই বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভকা শান্নরগনি।

বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী বোটিস্টা আগুটপু ৭–৬(১২–১০), ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা য়ুএসএগী টিয়াফোবু ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

১০শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী কৈ নিসিকোরিনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী এদ্রিয়ান মনারিনোবু ৭–৫, ৬–৪ দা থোইরল্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস অমসুং বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী শান্নরোই জমহুরগা শান্নরগনি। জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা পোর্টুগালগী জে সৌজাবু ৭–৫, ৬–১ দা থোইরম্বনি।

## য়ুএসকী মেদিসন কিজ, স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা অমসুং ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েট দব্লিয়ুটিএ ইলাইট ট্রোফিগী গ্রুপ মেটচশিং মায় পাকখ্রে

*ঝুহাই, ওক্টোবর ৩১ঃ*



চাইনাগী সিটি ঝুহাইদা চথরিবা দব্লিয়ুটিএ ইলাইট ট্রোফিদা য়ুএসএগী মেদিসন কিজ, স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা অমসুং ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েট মখোয়–মখোয়গী সিঙ্গলস গ্রুপ মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

দব্লিয়ুটিএ ইলাইট ট্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা এজেলিয়া গ্রুপকী মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী য়ুএসএগী মেদিসন কিজনা নম্বর ৱান সিদেদ রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–২, ৬–৪ দা থোইরমখি।

কামেলিয়া গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা চাইনাগী ঝাং স্বাইবু সেট অহুম চঙনা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৩–৬, ৬–৩, ৬–২ দা থোইরমখি।

দব্লিটিএ ইলাইট ট্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা রোজ গ্রুপকী মেটচ অমদা ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েটনা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ২–৬, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরমখি।

দব্লিটিএ ইলাইট ট্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা দবলসকী লিলি গ্রুপকী মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী সুকো ওয়োমা অমসুং বেলারসকী লিদজিয়া মারোজাভানা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র রোমানিয়াগী মিহেলা বুজারনেস্কু অমসুং পোলেন্দগী এলিকজা রোসোলস্কাবু ৬–৩, ৬–২ দা থোইরমখি।

দবলসকী বোগেনভিলিয়া গ্রুপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা য়ুক্রেনগী লিয়ুদমিলা কিচেনোক অমসুং নাদিয়া কিচেনোকনা চাইনাগী পেয়র জিয়াং জিনয়ু অমসুং য়াং ঝাওঝুৱানবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৭–৬((১১–৯), ৩–৬), ১১–৯ দা মায়থিবা পীরমখি।

## ইংলিস ফুটবোল লীগতা এএফসি বোর্নমাউথনা নোরৱিস সিটিবু ২–১ দা থোইখ্রে, বুর্টোন অলবিওনবু মায় পাকখ্রে



*ইংলিস ফুটবোল লীগতা এএফসি বোর্নমাথকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা উৎপা*

*লন্দন, ওক্টোবর ৩১ঃ*

ইংলেন্দগী দোমেষ্টিক ফুটবোলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ওইরিবা ইংলিস ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এএফসি বোর্নমাউথনা নোরৱিস সিটিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখ্রে, বর্টোন অলবিওনসু মায় পাকখ্রে।

এএফসি বোর্নমাউথ অমসুং নেরৱিস সিটিনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। এএফসি বোর্নমাউথকী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌবগী চাং হেনখ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা মতম কুইনা লাকখি।

শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা এএফসি বোর্নমাউথকী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা জুনিয়র ষ্টানিসলাসনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিনবা ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা নোরৱিস সিটিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা এএফসি বোর্নমাউথগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীবা হৌরকখি।

শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা নোরৱিস সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা ওনেল হর্নান্দেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৩শুবা মিনটতা এএফসি বোর্নমাউথকী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা ষ্টিভ কুকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৭ রোমগী মতম অদুদা নাকল অনীদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু এএফসি বোর্নমাউথনা নোরৱিস সিটিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরমখি।

ইংলিস ফুটবোল লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা বর্টোন অলবিওননা নোট্টিংহাম ফোরেষ্টপু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

বর্টোন অলবিওন অমসুং নোট্টিংহাম ফোরেষ্টনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা বর্টোন অলবিওনগী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা নোট্টিংহাম ফোরেষ্টকী শান্নরোই সেদি জানকোনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা বর্টোন অলবিওননা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা বর্টোন অলবিওনগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা স্কোট্ট ফ্রেজরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

৭০শুবা মিনটতা নোট্টিংহাম সিটিগী শান্নরোই লেৱিস গ্রাব্বাননা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। মেটচকী ৮২শুবা মিনটতা বর্টোন অলবিওনগী শান্নরোইশিংনা তৌরকখিবা এটেক অমদা জেক হেস্কেথনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বী নকশিল্লকখি।

শান্নবগী অরোইবা মিনটতা নোট্টিংহামগী শান্নরোই অর্ভিন অপ্পিয়ানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু মখোয় বর্টোন অলবিওনগী মখুত্তা পাঞ্জল ২–৩ দা মায়থিহৌখি।